ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

Refreshingly Readable

The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাও

ট্রান্সলেটরস ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা নহা ওইরিবা কবিশিংনা শৈরেং পাবগী থৌরম অমা খোমদ্রাম শেলুংবা লৈকায়দা লৈবা প্রো. যোধচন্দ্রগী শঙ্গাইদা পাঙথোকপা

অশাংবা কম্যুনিকেসন ইম্ফালনা শীন্দুনা সনসম উমাকান্তনা ইবা *ঐখোয় ময়ামগী অহিংদো* হায়না মীংথোনবা ৱারী মচাগী লাইরিক অমা ফোঙবগী থৌরম

নোংচুপ হারম খোরজৈলুপনা শীন্দুনা লুপসিগী লুপা ফুদোংবা থৌরমদা করাম জয়চন্দ্র মীতৈনা ইবা *ইশুসা ৱারী লিরগে* হায়না মিংথোনবা লাইরিক ফোঙবা

PUBLIC LIBRARY OPENING CERE
NRC
লামায় ১

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী হৈজিঙ্গাং থোঙখোংদা লৈবা নেসনল রিছর্স সেন্তর (এন আর সী)গী শঙলেন্দা পব্লিক লাইব্রেরি অমা হাংদোকপা থৌরমগী শক্তম

Vol. 41, Issue No.079 নিংথৌকাবা, ইঙা ১৮ নি পানবা অপুনবা লামায় মশিং ১২ HUEIYEN LANPAO, Monday, June 12, 2017, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	এন এ °C	এন এ °C
চান্দেল	৩০.৮৩ °C	২৫.১০ °C
সীসীপুর	এন এ °C	এন এ °C
ইম্ফাল	৩০.৩৩ °C	২২.৯৯ °C
সেনাপতি	২৯.৬১ °C	২১.৭১ °C
তমেংলোং	২৮.২২ °C	২৫.১৫ °C
থৌবাল	২৮.৬০ °C	২২.৯৮ °C
উখ্রুল	২১.৮৪ °C	১৭.০০ °C
মণিপুর	৩২.০৯ °C	১৭.০০ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২৮.৫৩ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৪
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

চীফ মিনিষ্টর ঙসি ইম্ফাল থাদোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ১১ : ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দরদা লৈবা ষ্টেট মরিগী চীফ মিনিষ্টরশিংগা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগা উন্নবগীদমক মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন অমসুং মহাকপু মতেং পাংগদবা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (হোম)না লুচিংবা ওফিসল টিম অমা হয়েং ইম্ফাল থাদোক্লগনি। খোঙচৎ অসিদা এন বিরেননা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দরগী চয়েৎনবা ৱাফম কোকহন্নবা সর্ভে তৌবদা মণিপুরগী মীহুৎ য়াওহনবীনবা তকশিনগদৌরি।

বন্দ তৌররোই

ইম্ফাল, জুন ১১ : ওল মণিপুর পুলিস কন্সটেবল (মেল/সিভিল) ভিভা ভোসি কমপ্লিটেদ কেন্দিদেট ফ্রেশ বেটচনা মখোয়গী ৱাকৎশিং তাবীদে হায়দুনা ঙসি অহিং নোংয়াইদগী পুং ৪৮গী মণিপুর বন্দ তৌগনি হায়না তৌরম্বা অদু ঙসি নুমিদাং পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি (হোম) এল সুসিন্দ্রোগা ৱারী শারবা তুংদা য়ানবা পুরকপদগী বন্দ তৌরোই হায়রি।

রিজল্ট লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ : মণিপুর পরামেদিকেল এন্দ বি এস সী নর্সিং কম্বাইন্দ এন্ট্রান্স এগজামিনেসন ২০১৭ কী রিজল্ট ঙসি লাউথোকখ্রে হায়না দিরেক্টোরেট ওফ হেল্ঠ সার্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. কে লোকেন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। বি এস সী নর্সিং, বি এস সী এম এল টি, বি এস সী আর আই টি, বি এস সী ও ও টি, বি ফার্ম অমদি দি ফার্ম কোর্সকী এন্ট্রান্স এগজামিনেসনগী রিজল্ট লাউথোক্লে। খল্লবা কেন্দিদেটশিংগী লিষ্ট দিরেক্টোরেটকী নোটিশ বোর্দতগী খঙবা য়াগনি অমদি দিরেক্টোরেট অসিগী ৱেবসাইট www.manipurhealthdirectorate.in অসিদগী খঙবা য়াগনি হায়নসু মখা তারি।

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংৱিগনি

HL POLL

Q : Assembly gi thabak loubada signatory oikhibasingna thabak loubagi aranba thigatkani haibasi yaningbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Chingmee singgi numitta manung hanjinna leiba chinggi khulsinggi chief sing laklamgani khanbra?

Yes 39% No 61%

অস! লোইরেহে!

সী এমদা ৱাকৎলক্লিবা ময়ামসিবু থবক্তা ওন্থোকপা য়াখিদ্রনে...!

ꯁꯤ ꯑꯦꯝꯗ ꯔꯥꯛꯇꯂꯛꯂꯤꯕ ꯃꯌꯥꯝꯁꯤꯕꯨ ꯊꯕꯛꯇ ꯑꯣꯟꯊꯣꯛꯄ ꯌꯥꯈꯤꯗ꯭ꯔꯅꯦ...!



সুম তাবদি মাঙজবা লৈতেদা...!

ꯁꯨꯝ ꯇꯥꯕꯗꯤ ꯃꯥꯡꯖꯕ ꯂꯩꯇꯦꯗ...!

ইম্ফালদা নো হোর্ন জোন অমসুং সাইলেন্ট জোন

য়াথংদি পীরে, চৎনহনবদি ঙমদ্রে

মৈস্নাম কর্ণজিৎ

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস) :
ষ্টেটকী ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা হৌখিবা দিসেম্বরগী অরোইবা চয়োলদা নো হোর্ন জোন অমসুং কুমজা ২০১৩গী জানুৱারি থাদা ষ্টেটকী ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট দিপার্টমেন্টনা সাইলেন্ট জোন ওইগদবা মফমশিং লাউথোক্লুনা নিলখোংদবা মফম ওইহন্নবা য়াথংদি পীখ্রে অদুবু চৎনহনবদি ঙমদ্রে।

কুমজা ২০১৩ দা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্টগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরিনা ইম্ফাল সহরগী মরুওইবা মফম কয়া সাইলেন্ট জোন লাউথোকপদা নত্তনা লম্বীদা থৌরিবা গাড়ীশিংদগী অহৌবা হোনগী মখোল হায়রিবা মফমশিং অসিদা থাদোকপা য়াদে হায়বা খঙহন্নবগীদমক মণিপুর পোল্ল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দনা মরুওইবা মফম কয়াদা নো হোর্ন জোনগী সিম্বোলশিং থেৎখি। হায়রিবা নো হোর্ন জোননি হায়বগী থেৎখিবা সিম্বোলশিং অদু ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটিনা কোনবা তোঙান তোঙানবা লম্বীশিংগী ময়াইদা লৈবা রোদ মেদিয়ানদা মফম ৩৫ খনগৎলগা থেৎখি।

নো হোর্ন জোনগী সিম্বোল থেৎলিবা মফমশিং অদুদি গভর্নর রোদ, মণিপুর হায়কোর্ট মমাং, ওল্ড হায়কোর্ট কমপ্লেক্স, সেক্রেট-রিয়েট মমাং, চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলো মমাং অমসুং গভর্নরগী মখা থংবদা কৈশামপাৎ থোঙ ফাওবগী মরক্তা লৈবা লম্বীগী শরুক্শিংদনি। মতম অদুদা সাইলেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা মফমশিং অদুদি জুলোজিকেল/বোটানিকেল-শিংগী মিটর ১০০ গী অকোয়বদা লৈবা মফমশিং, ষ্টেট নৎত্রগা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনা রিকোগনাইজ তৌবা স্কুল, কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিশিংগী অকোয়বদা লৈবা মিটর ১০০ ফাওবগী মফমশিং, ফমুং ১২ দগী হেন্না লৈবা হোস্পিটাল নৎত্রগা ক্লিনিকশিংগী অকোয়বদা লৈবা মিটর ১০০ গী মফমশিং অমদি খ্বায়দগী মরুওইবা মফম ওইরিবা রাজ ভবন মমাং, চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলো মমাং, কংলা, হায়কোর্ট মমাং, এসেম্ব্লী মমাং, সিবিল সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সশিং অমদি সিটি কনভেন্সননচিংবা মফমশিংগী মিটর ১০০ না কোনবা মফমশিংবু সাইলেন্ট জোন ওইহনখিবনি।

সাইলেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখিবা অসি মপুং ফানা চৎনহনবা ঙমদনা হৌখিবা চহী মরিরোম লাক্লবা মতুংদা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা মণিপুর লৈঙাক্কী ট্রান্সপোর্ট দিরেক্তরনা থোকখিবা ওর্দর অমনা অমুক ইম্ফালগী মরুওইবা মফম কয়াবু নো হোর্ন জোন ওইনা লাউথোরকখিবনি। সেন্ত্রেল মোটোর ভেহিকলস রুল ১৯৮৯ গী রুল ১১৯ (১), (২) অমসুং সী এম ভি (সেকেন্দ এমেন্দমেন্ট) রুলস ২০১৬ গী মতুংইন্না নো হোর্ন জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা মফমশিং অদুদি, কালিমাই মন্দির মনাক্কী ফর্ষ্ট এম আরগী খা থংবা

...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

জি এস টি কাউন্সিলনা সিনেমা টিক্কেট য়াওনা পোৎলম ৬৬কী টেক্স হন্থহনখ্রে

নুপীগী অকে-অমৌ ওইনা শীজিন্নরিবা কাজলদা জি এস টি চাদা ১৮ দা হন্থরে

ন্যু দিল্লি, জুন ১১ (এজেন্সী) :
জি এস টি কাউন্সিলগী ঙসি ফমখিবা মীফম্না লুপা ১০০ হেন্না পীবা অচার অমসুং সিনেমা টিক্কেটনচিংবদা লৌরম্বা টেক্সকী চাং য়াওনা সেন্টর অমদি ষ্টেটশিংনা তোঙান-তোঙানবা পোৎলম ৬৬ তা লৌননবা থৌরাং তৌরম্বা টেক্সকী চাং হন্থহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

লুপা ১০০ অমদি মসিগী মখাদা লৈবা সিনেমা টিক্কেটতা হান্না চাদা ২৮গী চাংদা টেক্স লৌনবা থৌরাং তৌরম্বদগী হৌজিক্তি চাদা ১৮গী চাংদা লৌরগনি। অদুমওইনমক লুপা ১০০ হেনবা পোৎলমশিংদদি চাদা ২৮গী চাংদা অদুমক জি এস টি লৌরগনি। হান্না চাদা ১৮গী চাংদা টেক্স লৌনবা কাউন্সিলনা লেপ্লুরবা অচার অমদি মষ্টার্দ সোসনচিংবা কিটচন আইটেমশিংগী জি এস টি চাদা ১২ ওইরগনি। কেস্যু নটকী ওইনসু চাদা ১২ টেক্স লৌনবা থৌরাং তৌরম্বদগী চাদা ৫ দা হন্থহনখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা জি এস টি কাউন্সিলগী মীফমনা চহীদা লুপা লাখ ৭৫ গী টর্ন ওভর ওইবা রেষ্টোরেন্ট মপূ, পোৎ পুথোকপা অমসুং লল্লোন-ইতিক তৌবা মীওইশিংনা কম্পোজিসন স্কিমগী মখাদা মথংশিংনা চাদা ১, ২ অমসুং ৫গী চাংদা টেক্স থীবগী খুদোংচাবা ফংলগনি। অঙাংশিংগী লাই য়েকপগী লাইরিক্তা জি এস টি চাদা ১২ লৌনবা থৌরাং তৌরম্বদগী হৌজিক্তি কাউন্সিলনা টেক্স অমত্তা লৌররোই হায়রি। কম্প্যুটরদগী চাদা ২৮গী চাংদা টেক্স লৌনবা থৌরাং তৌরম্বদগী চাদা ১৮ দা হন্থরে। ইন্সুলিন অমদি অগরবটিগী ওইনসু টেক্সকী চাং চাদা ৫ দা হন্থরে। স্কুল বেগশিংগী ওইনদি চাদা ১৮গী চাংদা টেক্স লৌগদৌরি।

নুপীশিংগী অকে-অমৌগী পোৎলম ওইরিবা কাজলদা জি এস টি চাদা ২৮ লৌনবা থৌরাং লৌখৎলুরবা মতুংদা হৌজিক্তি চাদা ১৮ দা হন্থরে হায়রি।

জি এস টি কাউন্সিলগী ১৬ শুবা মীফম লোইরবা মতুংদা ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা পাউমীশিংদা হায়খি, তোঙান-তোঙানবা পোৎলম ১৩৩ গী টেক্স হন্থহন্নবা ৱাকৎ থাঙ্গৎলকখিবগী মনুংদা কাউন্সিলনা পোৎলম ৬৬ তা লৌগদবা টেক্সকী চাং হন্থনবা ফিরেপ লৌরে।

জুন ১৮ দা কাউন্সিলগী মথং রাউন্দগী মীফম পাঙথোক্তুনা লোটরিগী টেক্স অমসুং ঈ-ৱে বিলগী মতাংদা খন্নগদৌরি। হাইব্রিদ কারশিংদা লৌগদবা টেক্সকী মতাংদা ফাইনান্স মিনিষ্টরনা হায়খি, ষ্টেটশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা পুখৎলকপা ৱাফম কুপ্না খন্নরবা মতুংদা কাউন্সিলনা জি এস টিগী চাং লেপকনি। জুলাই ১ দগী চৎনবা হৌগদৌরিবা জি এস টিনা পোৎ লৈদুনা শীজিন্নরিবা মীচম মীয়ামদা কান্নবা ফংহন্নবগী পান্দমদা অনৌবা ইন্দাইরেক্ট টেক্স রেজিম চৎনহনবগী থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়রি।

লুৱাং এয়র সর্ভিসেস এন্দ কার্গো প্রাইভেট লিমিটেদ হাঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস) :
লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা তোঙান তোঙানবা এয়রক্রাফটকী তোঙান তোঙানবা সর্ভিস মখল তরেৎ ফঙহন্নবগী পান্দমদা লুৱাং এয়র সর্ভিসেস এন্দ কার্গো প্রাইভেট লিমিটেদ ঙসি ইম্ফাল হোটেলগী সঙাই হোলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা হাঙদোকখ্রে।

ঙসি হাঙদোকখ্রবা লুৱাং এয়র সর্ভিসেস এন্দ কার্গো প্রাইভেট লিমিটেদ অসিনা চহী অসিগী জুলাই থা ফাওবগী মনুংদা লমদম অসিগী মীয়ামদা এয়র এম্বুলেন্স, এয়রক্রাফট চার্টর, হেলিকোপ্টর চার্টর, ক্রু ট্রান্সপোর্টেসন, পেসেঞ্জর ট্রান্সপোর্টেসন, গ্রাউন্দ হেন্দলিং অমসুং কার্গো সর্ভিসকী খুদোংচাবা ফঙহনগদৌরি।

থৌরম অদুদা লুৱাং এয়র সর্ভিসেসকী দিরেক্তর মৈস্নাম রতনকুমার, লুৱাং এয়র সর্ভিসেস এন্দ কার্গো প্রাইভেট লিমিটেদকী ভাইস প্রসিদেন্ট (ওপরেসন) নাগরাজন শিবকুমার, লুৱাং এয়র সর্ভিসেস এন্দ কার্গো প্রাইভেট লিমিটেদকী জোনেল ওফিসর অনিৱ্রর্ত্ত সরকার, লুৱাং এয়র সর্ভিসেস এন্দ কার্গো প্রাইভেট লিমিটেদকী দিরেক্তর মাইস্নাম অজিৎকুমার অমসুং লুৱাং এয়র সর্ভিসেস এন্দ কার্গো প্রাইভেট লিমিটেদকী চীফ ওপরেটিং ওফিসর জয়ামুদ্দিন সুগউমরনা দেইজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা লুৱাং এয়র সর্ভিসেস এন্দ কার্গো প্রাইভেট লিমিটেদকী দিরেক্তর মাইস্নাম রতনকুমারনা হায়খি, ঙসি হাংদোক্লিবা লুৱাং এয়র সর্ভিসেস এন্দ কার্গো প্রাইভেট লিমিটেদনা এয়র এম্বুলেন্সকী সর্ভিস পীগদৌরিবা অসি লৈবাক শীনবা থুংনা কভর তৌগনি। অদুগা এয়রক্রাফট চার্টর, ক্রু ট্রান্সপোর্টেসন, গ্রাউন্দ হেন্দলিং অমসুং কার্গো সর্ভিসকী খুদোংচাবনা অৱাং নোংপোক লমদমশিং খক্তদা পীগনি। হায়রিবা এয়র এম্বুলেন্স অসিদা মতিক চাবা খুৎশু খুৎলায়গা লোয়ননা মেদিকেল টিমসু য়াওগদৌরি। সার্ভিসশিং অসি জুলাইগী অরোইবা চয়োলদগী হৌগনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা লুৱাং এয়র সর্ভিসেস এন্দ কার্গো প্রাইভেট লিমিটেদকী ৱেবসাইট www.luwangair.com লোঞ্চ তৌবগা লোয়ননা লিফলেট অমসু ফোঙদোকখি।

লৈঙাক্না পায়খৎলিবা চাউখৎ-থৌরাংগী থবকশিং চীফ মিনিষ্টরনা গভর্ণরদা পাউদমখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস) :
থা অনী মখায়রোম ফাজিল্লক্লবা লৈঙাক অসিনা পায়খৎলিবা চাউখৎ-থৌরাংগী থবকশিংগী মতাংদা ঙসি চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলাদা পাউদমখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ দগী ১১ ফাওবা গভর্ণরগা ৱারী শানখি। ৱারী শানবা অদুদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা তেল্লবা মতমগী মনুংদা পায়খৎখিবা চাউখৎ-থৌরাংগী থবকশিংগী মতাংদা পাউদমখি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউজী মতুংইন্না হায়, গভর্ণর উনবা অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা ইম্ফাল-জিরি লম্বীদা গাড়ী চৎপা য়াদ্রে, লৈখোমনা খুউ য়ৌরে হায়দুনা নহানমখৈ মীয়াম্না হায়নরম্বা, চৈনরম্বশিং অদু কোকহনবা ঙম্লে হায়না পাউদমখি। মদুদসু নৎতনা তমেংলোং খোংশাং লম্বীসু খুমাঙ চাউশিন্না শেম্বা হৌরে। তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরসতা ষ্ট্রিট লেম্পশিং থাল্লে হায়বনচিংবা ৱাফমশিংসু পাউদমখি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, হয়েং মিজোরামদা নোর্থইষ্টকী ষ্টেট ৪গী চীফ মিনিষ্টরশিং অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগা উনগদৌরিবা অদুগী মরম অমসুং লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করি-করি ৱাফমশিং পুখৎকদগে হায়বগী মতাংদসু ৱারী শানখি হায়রি।

নাগালেন্দগী থবক্তগী পোত্থারবা পুলিস ওফিসর অমদগী লুপা ক্রোর ৪০০ ফারে

কোচি, জুন ১১ (এজেন্সী) : ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টকী ইন্টলিজেন্স এন্দ ক্রিমিনেল ইনভেষ্টিগেসন ৱিংনা নাগালেন্দ পুলিসকী এদিসনেল এস পি ওইরম্বা মীওই অমনা চল্লাইবা ফার্মদগী লুপা ক্রোর ৪০০ ফাখ্রে।

ইন্দিয়া টাইমসকী রিপোর্ট অমনা হায়, প্রসিদেন্ট'স পুলিস মেদল ফংখ্রবা এম কে আর পিলাইনা চল্লাইবা শ্রীভালসম গ্রুপনা চিংননিংঙাই ওইবা শেল-থুম পীথোক-পীশিন তৌবগী থবক থৌরমদা চেন্নৈ হায়না চিংনবদগী ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা মতম অমুক্তদা কেরলা, কর্নাটাকা, নাগালেন্দ অমদি দিল্লিদা থিবা-হুন্বগী থবক চথখি।

মমাঙ চহীগী নবেম্বরদা শেনয়েক অনী চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা পিলাইগী শেন্থোক্কা চানদবা মওংদা লুপা ক্রোর ৫০ রোম লৈ হায়বা খঙলকপদগী ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা মীওই অসিগী মথক্তা ইনভেষ্টিগেসন চথদুনা লাকখিবনি।

মকোকচুংদা কুমজা ১৯৭১ দা নাগালেন্দ পুলিসতা কন্সটেবল ওইনা থবক চঙখিবা পিলাইনা চহী ৬ কী মমাঙদা এদিসনেল সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ওইনা থবক্তগী পোত্থাখি। কুমজা ২০০৫ দা মহাক প্রসিদেন্ট'স পুলিস মেদল ফোর মেরিটোরিয়স সার্ভিস ফংখি। নাগালেন্দদা মীয়াম্না 'পিলাই সার' হায়না খঙনবা মীওই অসি মকোক থোংবা পোলিটিসিয়নশিংগা নক্লবগা লোয়ননা ষ্টেট পুলিস হেদ ক্বার্টরসতসু ঈথিল পীবা ঙম্বা মীশকনি। মহাক্কী শ্রীভালসম গ্রুপনা কেরলা অমদি অতৈ ষ্টেটশিংদা জ্বেলরি, টেক্সটাইল, গোল্ড লোন অমদি স্কুল য়াওনা তোঙান-তোঙানবা বিজিনেস কয়া তৌই।

নাগালেন্দগী দি জি পি, এল এল দোঙেলনা হায়খি, হৌজিক-হৌজিক নাগালেন্দ পুলিসতা কন্সল্টেন্ট অমা ওইরিবা পিলাইদগী লুপা ক্রোর ৪০০ ফাগৎপগী পাউ ফংবদা অঙকপা পোকই। মীওই অসি ছুটিদা লৈখিবনা মথং চয়োলদা হল্লক্লবা তুংদা অকুপ্পা মরোল খঙগনি।

এন আর এফ এমনা অৱাবা ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ : এন এস সী এন-কেগী চ্যেরমেন শঙৱাং শঙয়ুং খপলাংনা লৈখিদবদা নেসনল রেভল্যুসনরি ফ্রন্ট মণিপুর (এন আর এফ এম)না অৱাবা ফোঙদোরক্লি। এন আর এফ এমগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি সনাজাওবা মৈতৈনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লূপ অসিনা লুচিংবা খপলাং মহাক্না চৎমিন্নরম্বা লালহৌ লূপ কয়ানা অমদি লুচিংবা অসিবু খঙবা মীচম-মীয়াম্না বাবা হায়না মিঙ্গৌজবা ইন্দো-বর্ম্মা রিজনগী নমথবীরবা নিংতম্বা ফংদ্রবা ফুরুপশিংবু অশেংবা মীওইবগী নিংতম্বগী ফীবান্নুংদা পূনশিন্নবা হোৎনরম্বা অমত্তা ঙাইরবা অশেংবা লুচিংবা অমনি হায়না এন আর এফ এমনা

...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

এন আর সীদা পব্লিক লাইব্রেরি হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস) : মীয়ামদা লাইরিক পাবগী হৈনবী লৈহন্নবগী পান্দমদা হৈজিঙ্গাং থোঙখোংদা লৈবা নেসনল রিছর্স সেন্তর (এন আর সী)গী শঙলেন্দা পব্লিক লাইব্রেরি অমা ঙসিদগী হাংদোকখ্রে।

পব্লিক লাইব্রেরী হাংদোকপগী থৌরম অদু পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি থোকচোম শৈত্যবর্ত্তনা চীফ গেষ্ট, এন আর সীগী চ্যেরমেন পাওন্বম বন্ধন্না প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি লৌরেম্বম রামেশ্বর, আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্তর ডা. কে সুসিলা, এম য়ুগী সী ঈ এস দিগী দিরেক্তর প্রো. সীঐচ ইবোহল, অমুকোগী প্রসিদেন্ট পিঐচ দেবান, মালাগী প্রসিদেন্ট কাঙজম চাউবা, থোংজু পার্ট টু গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান কেঐচ চিংখৈনা মথংশিংনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীবদা টিঐচ শৈত্যবর্ত্তনা হায়খি, পব্লিক লাইব্রেরী এন আর সীদা হাঙদোকপগা লোয়ননা লাইব্রেরি চাউখৎননবা হোৎনবদা মহাক্কী মায়কৈদগী পাঙবা য়াবা মতেঙ পাঙগনি হায়রি। লাইব্রেরি চাউখৎনবা পোলিসি

...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

লুপা লাখ ৬কী য়ুঙৌ অমদি হীদাক মনাগী পোৎলমশিং পুলিসনা ফারে

ইম্ফাল, জুন ১১ (ঐচ এন এস) :
চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি রাকেস বলৱালগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিমক্কী এদিস্নেল এস পি (ওপস) কে কুমারজিৎনা লুচিংবা অমদি পুলিস ষ্টেসনগী ও সী আর কে অনন্দ য়াওবা টিম অমনা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবা মতমদা চুড়াচান্দপুরগী তুইবোং বাজারদা থিবা হুন্বা চথবদা লুপা লাখ তরুকলোমগী ওইগদবা য়ু অমদি হীদাক মনাগী পোৎলমশিং ফারে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, তুইবোং বাজারগী কানাড়া বেঙ্ক মনাক্তা লৈবা মীওই অনীগী দুকান অমদি গোদাউনদা রেইদ চথবদা য়াল্লবা মীওইবগী হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা অমদি লৈঙাক্লসু অথিংবা থমখ্রবা পোৎলমশিং অদু ফাবা ঙমখিবনি হায়রি।

পুলিসনা ফাগৎখ্রবা পোৎলমশিং অদুদি, কেন বিয়ার, অঙ্গুর অমদি লেমননা শুংবা য়ু, তলব, টি-৫, জগ মগ তোবেকো, সাজন খৈনি, নেভিয়া, বাবা জর্দানচিংবনি।

পুলিসনা পোৎকা কোন্ননা ফারবা মীওই অনী অদুদি, বিহারগী বুক্সর দিষ্ট্রিক্ততগী লাল্লগা হৌজিক্লা তুইবোং বাজারগী কানাড়া বেঙ্ক মনাক্তা লৈবা বল্লু গুপ্তা (৩৮) অপোকপা কানহৈয়া শাহ গুপ্তা অমদি বিহারগী সমষ্টিপুর দিষ্ট্রিক্ততগী লাল্লগা হৌজিক্লা তুইবোং বাজারদা লৈবা রন্ধিরকুমার শাহ অপোকপা শাহিগে চন্দ্র শাহনি। মখোয় অনীগী মনুংদা বল্লু গুপ্তগীনা গোদাউন মরি লৈরম্মী অদুগা রন্ধিরকুমার শাহগীনা

...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

খপলাং লৈখিদবদা কোরকোমনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ১১ : নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দগী চ্যেরমেন এস এস খপলাংনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (কোরকোম)না অৱাবা ফোঙখ্রে।

প্রিপাক, প্রিপাক (প্রো), আর পি এফ অমসুং য়ু এন এল এফকী অপূনবা লূপ ওইরিবা কোরকোমগী কনভিনর কে ঐচ পাম্বৈনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, জুন ৯গী নুমিদাং পুং ৭ তা 'বাবা' শঙৱাং শঙয়ুং খপলাংনা এন এস সী এন/জি পি আর এনগী কাউন্সিল হেদ ক্বার্টরসতা অরোইবা য়াহিপ তানখিবনা ৱেসিয়া রিজনগী য়াওল ঈহৌদা মেনখৎপা ঙল্লরোইদবা অহোবা অমা লৈহৌরগনি।

নৈহৎপীরবা অমদি খুদুম চনবীরবা নাগা মীয়াম নিংতমহন্নবা হোৎনবদা মপূন্সি চুপ্পা কথোক্তুনা লাক্লবা বাবা খপলাং মায়কৈ অসোমগী রেভল্যুসনরি আইকোননি। নহা ওইরিঙৈদা মহাক্লা নাগা দিফেন্স ফোর্স লিংখৎখিবগা লোয়ননা ইষ্টর্ন নাগা রেভল্যুসনরি কাউন্সিল শেমখি। কুমজা ১৯৭৬ তগী এ জেদ ফিজো অমদি এন এন সীগা শম্মদুনা মণিপুরগী য়াওল্লুপশিংগা নকশিন্নরকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা অপূনবা ঈহৌ অমা শাগৎনবগী লম্বী শেমদুনা লাকখিবা মীশকনি। ৱেসিয়া রিজনগী অপূনবা ঈহৌ শাগৎলবা মতমদতা মীয়াম্বু ওৎপী-নৈবীবা অমদি য়েক্লবগী মখূৎতগী কনবা ঙমগনি হায়বা ৱাখল্লোনদা চেৎনা থাজবা মীওইনি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, শিল্লোং একোর্দনা নাগা ঈহৌ মচেৎ তাহনখিবগা লোয়ননা একোর্দ য়ানিংদবা কাঙবুনা কুমজা ১৯৮০ দা নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দ (এন এস সী এন) শেমখি।

আইজাক চিসী স্যু, এস এস খপলাং অমদি থুইঙালেং মুইভানা মথংশিংনা লূপ অসিগী চ্যেরমেন, ভাইস চ্যেরমেন অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি ওইখি। কুমজা ১৯৮৮দা এন এস সী এন মচেৎ তাখিবগা লোয়ননা এন এস সী এন (আই-এম) অমসুং এন এস সী এন (কে) হায়না অনী থোকখি। বাবা খপলাংনা এন এস সী এন (কে)গী চ্যেরমেন ওইখি। মতমদুদগী হৌনা ইষ্টর্ন নাগা এরিয়াদা মণিপুরগী রেভল্যুসনরি পার্টিশিংনা মহাক্লা পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা লাকখি। মীয়াম্না নুংশিনা বাবা হায়না মিঙ্গৌনবা মীশক অসিনা পূন্সি চুপ্পা উমং-ৱামংদা

...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

LOAN AVAILABLE

মখল খুদিংগী অপাম্বা 2 , 3 and 4 Wheelers Loan
Service Loan
Pension Loan
Gold Mortgage
T.V./Laptop Loan
হায়রিবা শিং অসি অরাইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি ।

AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Loktaobung B.O. Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.

HL-P/1593/14 May-14 June

ঈ-পাঙ্জা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টকীদমক০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্বের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫